# লিবিয়াদা ইজিপকী এম্বেসি ষ্টাফ ৪ কিদনেপ তৌখ্রে

*কাইরো, জনুৱারি ২৫ঃ* লিবিয়াগী কোনুং ত্রিপোল্লিদা ইজিপকী এম্বেসি পার্সোনেল কিদনেপ তৌখ্রে হায়না লিখুন অমনা ফোংদোরক্লি।

এম্বেসিগী ওফিসিয়েল অমগী ৱারোল পল্লদুনা লিখুন অসিনা হায়বদা এম্বেসিগী ওফিসিয়েল অমসু লিবিয়াগী কোনুং অসিদা হৌখিবা ইরাইদা ফাখ্রে হায়না ফোংদোকখি।

লিবিয়াদা থোকখিবা ওফিসিয়েলশিং হন্দক মরক কিদনেপ তৌখিবগী থৌদোক কয়ামরুম অসি মরুওইনা মিলিসিয়াশিংনা চখবনি হায়নসু চিংনরি। গভর্নমেন্টনা মখোয়দা অয়াম্বা মতমদা শেল পী। অদুবু মখোয়না কনাগী ৱা ইনবগে অদুগা মখোয়বু কনানা কন্ট্রোল তৌরিবগে হায়বসিদি শেংনা খঙবা ঙমদ্রি।

হৌখিবা ইরাই নুমিৎতা ইজিপতা লিবিয়াগী মিলিসিয়া কম্মান্দর অমসু ফাখিবনি। লিবিয়াগী মতম অমগী লুচিংবা মুঅমর গাদাফিবু ইং ২০১১ দা মফম লৌথোকখিবা মতুংদগী শেমগৎনরকখিবা মিলিসিয়া গ্রুপশিংগী মনুংদা অমা ওইরিবা রিভোলুস্নরি ওপরেসন রুম হায়বা খুৎপু অসিগী লুচিংবদি সবান হাদিয়া হায়বা মীশক অমনা ওই হায়রি।

মমাং চহিগী ওক্টোবর থাদা প্রাইম মিনিষ্টর আলি জৈদানবু মতেক খরা ফাজিন্দুনা থমখিবদু খুৎপু অসিনা তৌবনি হায়নসু লিবিয়াগী গভর্নমেন্ট ওফিসিয়েলশিংনা মরাল শীখি। ফাখিবা ইজিপসিয়ান এম্বেসিগী ষ্টাফ মরি অদুগী মরক্তা কলচরেল অতেচিসু য়াওখ্রে হায়রি।

অমরোমদা এদমিনিষ্ট্রেটিভ এদভাইজর অমসু ঙরাং ফাখিবনি। অদুবু ওপরেসন রুমগী অৱাংবা থাক্কী মেম্বর অমনা হায়বদদি মখোয়না কিদনেপ্পিংগী থৌদোক অমত্তদা চেন্নদে হায়না ফোংদোকখিবনি।

ইজিপসিয়ান ফোরেন সেক্রেটরিগী ৱাঙাংলোই বাদর অব্দ–অল–আর্টিনা হায়বদা ত্রিপোল্লিদা লৈবা এম্বেসি ষ্টাফতা এদমিনিষ্ট্রেটিভ এটেচিনা পাউ ফাওরকপদা মহাকপু ফারিবশিং অদুনা লুনা চান্না তৌই হায়না ফোংদোকপনি হায়রি। অৱাংবা থাক্তা পাউ চৎনদুনা ফাজিনখ্রবশিং অদুবু থাদোকহন্নবা হোৎনরি হায়নসু লিখুন অমনা ফোংদোরক্লি।

চৈরক অসিদা ইজিপতা মফম লৌথোকখ্রবা ইস্লামিষ্ট প্রসিদেন্ট মুহমদ মোর্সিবু শৌগৎপশিংনা ইং ২০১১ গী অপরাইজিং অদুগী অহুমশুবা কুমওন থৌরম পাঙথোকপদা ইজিপসিয়ান রাইওট পুলিসনা তানখাইনবা হোৎনবদা মায়কৈ অনিনা খুৎ থোক্লখ্রে হায়রি।

রাইওট পুলিসশিংনা মোর্সিবু শৌগৎপশিংবু টিয়ার গ্যাস কাপশিন্দুনা তানখাইখি। কাইরোগী ময়াই থংবা দিষ্ট্রিক্টশিংদা ইস্লামিষ্ট ৱাঙাংলোইশিংনা কুমওন থৌরম অসিবু নিংশিংদুনা রেল্লি পাঙথোক্লিঙৈদা নোংমৈ মখোলশিং তাখি হায়নসু লিখুন অমনা ফোংদোরক্লি।

ৱাকৎলোইশিং অদুনা দিষ্ট্রিক্ট কয়ামরুমদা সিক্যুরিটি ফোর্সশিংগী মথক্তা নুঙ অমদি ফয়ার বোমশিং লংশিনখি হায়নসু লিখুন অসিনা ফোংদোরক্লি।

# সিরিয়াগী য়ান্নদবা কাংবুশিং জেনেভাগী ৱারীদা কা অমত্তদা ফম্মিন্নখ্রে

*জেনেভা, জনুৱারি ২৫ঃ* সিরিয়াগী গভর্নমেন্ট অমসুং ওপোজিসনগী য়ানদবা মীহুৎশিং মতেক খরদংগী ওইনা জেনেভাদা কা অমত্তদা ফম্মিন্নখ্রে হায়বগা লোয়ননা খোঙথাং অসি অপিকপা ওইরবসু শিংথানিঙাই ওইবা অমনি হায়না লিখুন অমনা ফোংদোরক্লি।



সিরিয়াবু অচৌবা খুদোংথিবা অমদগী কন্নবা হোৎনবদা জেনেভাদা চত্থরিবা মীফম অসিদা য়ানদবা কাংলুপ অনিগী মীহুৎশিং পুঙ্খাই অমরোমদি ফম্মিন্নদুনা কাংবু অনিগী মরক্তা য়ু এনগী লাকখদর ব্রাহিমিনা ৱাতেম্নবগী থৌদাং লৌখি। জেনেভাদা পুল্লিবা মীহুৎশিংনা মপুং ফাবা শান্তিগী য়ানরোল অমা লাক্ক্রিঙৈদা অপিকপা য়ানবগী খোঙথাংশিংদা হান্না পান্দম থল্লি। টেরোরিজম অমদি ভাইওলেন্স লোইশিনবা হায়বসিনা খ্বাইদগী মরুওইবনি হায়নসু সিরিয়াগী ওফিসিয়েলশিংনা ফোংদোকখি।

হৌজিকমক্তি প্রসিদেন্ট বাসর অল অসাদকী ফিরেপকী মতাংদা খন্নবগী মতম ঙনমল্লি হায়নসু মখোয়না ফোংদোকখি।

অদুবু হৌজিক ফাওবদা ওইরক্লিবা ফিভম অসি অফবদি ওই। হকথেংননা মিনিট খরদগী ওইরবসু ফম্মিন্নবা অসিনা শোইদনমক্কী মায়গৈ অনিগী মরক্তা থাজনবদি হেনগৎহনগনি হায়নসু লিখুন অমনা ফোংদোকখি।

# পাক পি এমনা মনমোহনদা গ্রীটিং পীখ্রে

*ইস্লামাবাদ, জনুৱারি ২৫ঃ* ইন্দিয়াগী রিপব্লিক দে নুমিৎ মাঙওইননা প্রাইম মিনিষ্টর মনমোহন সিংহদা থাবা য়াইফ পাউজেল অমদা নৱাজ সরিফনা হায়খিবদা মহাক্কী গভর্নমেন্টনা লমদম অসিগী চাওখৎপা অমদি য়াইফবা পুরকপা ঙম্নবা ইন্দিয়াগা মরুপ মপাং ওইবা অমদি তেংবাংনবগী মরী ফগৎহন্নবা অচেৎপা ফিরেপ লৈ হায়না ফোংদোকখ্রে।

মরী অসি লৈবাক অনিমক্কী য়াইফনবনি। অদুগা লমদম অসিগী মীয়ামগী চাওখৎপা অমদি য়াইফবা ওইহন্নবগীদমক চংদবা য়াদ্রবা শরুক অমসু ওই হায়বসিদা পাকিস্তাননা থাজে হায়নসু পাউজেল চেরোল অদুদা ফোংদোকখি।

রিপব্লিক দে থৌরমগা মরী লৈননা সরিফনা পীখিবা গ্রীটিং অমদা মনমোহনবু হকচাং ফনা অমদি নুংঙাইনা লৈবা ওইয়ু হায়খিবগা লোয়ননা ইন্দিয়াগী মীয়াম্বুসু চাওখৎপা অমদি য়াইফবগী লম্বীদা চংশিনবা ওইরসনু হায়নসু ফোংদোকখি।

ইন্দিয়াগী প্রসিদেন্ট প্রনাব মুখর্জিদা থাবা অতোপ্পা পাউজেল অমদনা পাকিস্তানগী প্রসিদেন্ট মামনুন হুসৈননা রিপব্লিক দে থৌরম মাঙওইননা মহাক্কী গ্রীটিং পীরি হায়না ফোংদোকখ্রে। ইন্দিয়াগী মীয়াম্বু চাওখৎপা অমদি য়াইফবা ওইরসনু হায়না নিংবগা লোয়ননা লৈবাক অনিগী মরক্তা অমনা অমবু তেংবাংনবা, মরুপ মপাং ওইনবা অমদি অনিমক্কী কান্নবা অফবা মরী অমা শাগৎপা ঙম্নবা হোৎনমিন্নরসি হায়না ফোংদোকখি।

# য়ুক্রেনগী শান্তিগী থৌরাং অরেম্বদা তারে



*কিয়েব, জনুৱারি ২৫ঃ* ইং তপ্পা পাম্বৈনা য়ুক্রেনগী ইরাং লোইশিন্নবা কোনুং ওইরিবা কিয়েবতা হোৎনরকখিবা পুন্নমক অরেম্বা তারে হায়না ইন্টরিয়র মিনিষ্ট্রিনা ফোংদোকখ্রে।

ইন্টরিয়র মিনিষ্টর ভিটালি জাখরচেনকোনা ৱাকৎ ঈহৌ হৌরিবশিংগা য়াশিন্নবা পুরক্লবা হোৎনখিবদু মায় পাকখিদ্রে হায়বগা লোয়ননা থোক্লিবা ইরাং অসি রেদিকেল গ্রুপশিংনা ইনশিনবদগী থোকপনি হায়রদুনা প্রোটেষ্টরশিং হৌজিক্তি খুৎলায় শীজিন্নরে হায়নসু মহাক্লা ফোংদোকখ্রে।

য়ুক্রেনগী ইনর্জি মিনিষ্ট্রিবু ৱাকৎ ঈহৌ হৌবশিংনা পায়শিন্নবা হোৎনরকপা মতুংদা মহাক্কী ৱারোলশিং অসি ফোংদোরকখিবনি। গভর্নমেন্টনা ই য়ুগা ত্রিটি অমা সাইন তৌনগদবা অদু য়াখিদবা মতুংদগী থোক্লককখিবা ইরাং অসিদা ৱাকৎলোই মরিগা পুলিস পার্সোনেল অমগা শিখ্রে।

মমাংগী ভাইওলেন্স থৌদোকশিংদা শোকখিবা মশাগী চহি ৪৫ শুরবা প্রোটেষ্টর অমসু ঙসি কিয়েবকী হোস্পিটাল অমদা শিখি।

চয়োল অসিদা এক্টিভিষ্ট অনি পুলিসকা খুৎ থোক্লবদা শিখিবা অদুগা কোনুং অসিগী মনাক্তা উমং অমদা অতোপ্পা মীওই অমসু ওৎ–নৈখিবগী দাগফমগা লোয়ননা শিনা ফংখিবা মতুংদগী ইরাং অসি খঙহেন হেল্লকখিবনি।

হৌখিবা ইরাইদসু গভর্নমেন্টপু য়াদবা ৱাকৎলোইশিংনা কিয়েবতগী হেন্না পাক শন্না ইরাং হৌরক্তুনা রিজনেল গভর্নমেন্ট বিল্ডিং কয়ামরুম খুদুম চনশিনখ্রবনি।

জাখরচেংকোনা হায়খিবদা নোংমা–নিনিগী মমাংদা য়ুক্রেনগী কোনুং অসিদা থোক্লিবা থৌদোকশিংনা মুক্লরিবা ফিভম অসি ইংনা লোইশিন্নবা হোৎনবা পুন্নমক অরেম্বা তারে হায়বা উৎলে।

ঐখোয়না হায়জখিবশিং মখোয়না নাচুংদ্রে হায়না ফোংদোকখ্রে।

এক্টিভিষ্টশিংনা পুলিস ওফিসার অমসু নোংমৈনা কাপখ্রে অদুগা অতোপ্পা ওফিসার অহুমসু কিদনেপ তৌখ্রে হায়না ফোংদোকখি।

অদুবু ৱাকৎ ঈহৌ লুচিংবশিংনদি মহাক্কী ৱারোল অসি অরানবা অমদি খুদোংথিনিঙাই ওইবা ৱাফমশিংনি হায়না য়ানিংদবা ফোংদোকখ্রে।

চৈরক অসিদা এক্টিভিষ্টশিংনা ইনর্জি মিনিষ্ট্রিগী সেন্ট্রেল কিয়েবতা লৈবা মেইন বিল্ডিংগী অহানবা মথোল মতেক খরগী ওইনা খুদুম চনশিনখি। ইনর্জি মিনিষ্টর এদৱার্দ ষ্টেবিটচকীনা হায়খিবদা ৱাকৎলোইশিংগী থৌওং অদু টেরোরিজমগী থৌওংনি হায়না ফোংদোকখ্রে।

চত্থরক্লিবা থৌওং অসি লৈবাক অপুনবগী ইনর্জি সিষ্টেমদা হকথেংননা অকিবা পীবনি হায়নসু মহাক্লা ফোংদোকখি।

## খুনিং কায়বা ফনবা উপাই মঙা

*মী অয়াম্বনা খুনিং কায়বগী নুংঙাইতবা ফিভম অসি মায়োক্লে। খুনিং কায়বদগী ঙাকথোক্লবা মরুওইনা খোঙগী খুনিং অমদি খোঙশাংশিং চেকশিন্না থম্বা মথৌ তাই। নুঙাইতবা থৌওং অসি নিংথমথাদনা খরসু হেল্লি। অদুবু য়ুমদা ফংবা উপাই খরনা খুনিং কায়বগী নুংঙাইতবা অসিদগী ঙাকথোকপা ঙম্মী। তৌবা য়াবা উপাই ৫ অদুদি অহানবদা কায়রিবা মফম অদুদা মোম্বর্তি অমদি হঙ্গাম থাও তোৎশিল্লগা থোমজিন্দুনা অহিংচুপ্পা থল্লমগনি। নোং ঙাল্লগা খেন্নবা খরা শোইদনা উগনি। অনিশুবদা থোইদিংগী থাও অসিনসু খুনিং কায়বদা অফবা উপাই অমা ওই। ফমুংদা চংদ্রিঙৈদা কাইরিবা মফম অদুদা থোইদিং থাও তৈশিল্লগা তুল্লবদি নোঙ ঙাল্লকপদা ইথা–থাজদনা ফজনা অহোংবা অমা উবা ফংগনি। অহুমশুবদা অমুনবা লফোই নোইখায়রগা শোক্লিবা মফম অদুদা থোমজিল্লম্মো। মদুনা অকাইবা অদুবু ফগৎহনবদা য়াম্না মতেং ওইগনি। মরিশুবদা গ্লিসরিননা রোজ ৱাটরগা য়ান্নরগা খোঙদা তৈবা অসিসু খুনিং কায়বগী অফবা হিদাক অমনি। থৌওং অসি নুমিৎ ১৫ নি লেপ্তুনা চত্থবদা থাজদনা অফবা ফিভম খরা শোইদনা উগনি। মঙাশুবদা য়াইঙং, টুলসি অমসুং করপুর হায়রিবা পোৎলম অহুম অসি মান্নরপ তৌবা চাংদা য়ানশিন্নরো। মদুদা এলোভেরা (ঘৃটকুমারি) গী মহি খরা য়ানশিল্লো। অসুম্না শেন্নবা হিদাক অদু খুনিংদা থোমজিল্লগা করি ওইরকপগে য়েংবীয়ু।*

# ইন্দোনেসিয়াগী জাভা ইথৎতা মেগ্নিচুদ ৬.১ চাংদা য়ুহার হাবদগী অতেক অকাই থোকখ্রে



*জাভা, জনুৱারি ২৫ঃ* ইন্দোনেসিয়াগী জাভা ইথৎতা সমুদ্র মনুংদগী অকনবা য়ুহার হাবা অমনা মেগ্নিচুদ ৬.১ গী চাংদা নিকপদগী অতেক–অকাই খরা থোকখ্রে হায়রি।

সেন্ট্রেল জাভাগী খারোমদা লৈবা ক্রোয়া হায়বা টাউন অসিগী খারোমদা কিলোমিটর ৪১ রোম চৎলগা লৈবা মফম অমদা য়ুহার হাবা অদুগী ময়োল ওইখি। মফম অদুদা লৈনুংদা কিলোমিটর ৮৩ রোম লুথরগা ময়োল ওইখিবনি হায়না য়ু এস জিওলোজিকেল সর্ভেগী ৱারোল অমদা ফোংদোরকখি।

ইন্দোনেসিয়াগী মেটিওরো–লোজি এন্দ জিওফিজিক্স এজেন্সিনা হায়বদদি অহানবগী ওইনা য়ুহার হাখিবা অদুগী চাং মেগ্নিচুদ ৬.৫ কী চাং য়ৌখি হায়না ফোংদোকখিবনি। অদুবু য়ুহার হাবা অসিনা সুনামিগুম্বা শাথিবা ফিভম থোকহনবগী ওইথোকপদি লৈতে হায়নসু ফোংদোকখিবনি।

ঙসিগী য়ুহার হাবদু জাভা ইথৎকী ময়াইথংবা অমদি নোংচুপ থংবা মফম কয়ামরুমদসু ফাওখি। মদুনা মরম ওইদুনা পাখৎনরবা মীয়াম য়ুম য়ুমদগী চেন্থোক্লখি হায়রি।

হৌজিক ফাওবগী ওইনা য়ুহার হাখিবা অদুনা অশিবা নত্রগা অশোকপা থোকহনখিবগী পাউদি লৈতে। অদুম ওইনমক ফিভম ফত্তবা য়ুম খরদি অতেক অকাই থোকখি হায়রি।

পনবা য়াবদি ইন্দোনেসিয়া অসি মালেমগী য়াম্না তোয়না য়ুহার হাগনবা লমদম পরিংগী মনুংদা চনবা অদুগা শাথিবা মৈগী চীং কয়ামরুম লৈবা লমদম অমনি।

# চাইনাগী মুনরোভর অশোইবা মচা অমা থোক্লে

*বৈজিং, জনুৱারি ২৫ঃ* চাইনাগী ইহান হানবা য়ুটু হায়বা মুনরোভর অদুদা মেকানিকেল কন্ট্রোল এবনোর্মিটি অমা থোকপগা লোয়ননা সাইন্টিষ্টশিংনা মুনরোভর অসিবু পুন্না শেমজিন্নবা থৌরাং অমা হোৎনরি হায়না ওঠোরিটিশিংনা ঙসি ফোংদোকখ্রে।

এবনোর্মিটি অসি থাগী লৈমায়গী অকোইবগী ফিভম চাদবা মওংশিং অদুনা থোকহনবনি হায়না ষ্টেট এদমিনিষ্ট্রেসন ওফ সাইন্স, টেক্নোলোজি এন্দ ইন্দষ্ট্রিজ ফোর নেস্নেল দিফেন্স (এস এ এস টি আই এন দি) না ফোংদোকখ্রে।

মসিদগী হেন্না মখা তাবা ৱারোলদি ফোংদোরকখিদে।

রোভর অসিনা ঙসিগী নোংঙাল্লমদাইদা অনিশুবা দোরমেন সিগী তাঙ্কক্তা চংশিনবা মতমগী ঙাইহাক্কী মমাংদা এবনোর্মিটি অদু থোক্লককখিবনি হায়বগা লোয়ননা মতম অদুদা থাগী ওইনা অহিংগী মতম হৌরকখিবনি হায়না এস এ এস টি আই এন দি গী ৱারোল পল্লদুনা ষ্টেটনা চলাইবা জিনহুৱা নিউজ এজেন্সিনা ফোংদোকখ্রে।

সাইন্টিষ্টশিংনা ওভরহোল তৌনবা হোৎনরি হায়নসু পাউ অসিনা ফোংদোরকখি। চাইনিজ লোনদা য়ুটু হায়বা জেদ রেবিট হায়রিবা মুনরোভর অসি মমাং চহিগী দিসেম্বর ১৫ দা থাগী লৈমায়দা তাহনখিবনি। মসিগী মমাংদা চাং ই–৩ হায়বা মুনপ্রোব অদু থাগী লৈমায় য়ৌখিবনি।

হৌখিবা জনুৱারী ১৮ দা মুনরোভর অসিনা স্পেস ওবজার্ভেসন অমদি মুন এক্সপ্লোরেসনগী য়াল্লবা দেটা কয়ামরুম খোমজিনবসু ঙমখি। চাং ই থ্রি হায়বা লেন্দর অসিগা য়ুটু হায়বা রোভর অসিগা পুনখিবা লুনর প্রোব মিসন অদু চাইনাগী লুনার এক্সপ্লোরেসন প্রোগ্রামগী অনিশুবা ফেজ ওইনা মমাং চহিগী দিসেম্বরদা লোঞ্চ তৌখিবনি হায়নসু লিখুন অসিনা ফোংদোরক্লি।

# থাইলেন্দগী ৱাকৎলোইশিংনা ভোটতা অপনবা পীরোইদৌরি

*বেঙ্কোক, জনুৱারি ২৫ঃ* থাইলেন্দগী ৱাকৎলোই লুচিংবা সুথেপ থাউংসুবাননা হায়খিবদা মহাকপু শৌগৎপা ৱাকৎলোইশিংনা মথং চয়োলগী জেনরেল ইলেক্সনদা অথিংবা অমত্তা পীরোই হায়না অচেৎপা ফিরেপ ফোংদোকখ্রে।



মহাক্লা হায়খিবদা ৱাকৎলোইশিংনা মীয়াম্বু ভোট থাদবদা থিংনবা হোৎনরোই। অদুবু ৱাকৎলোইশিং অদুনা পোল্লিং ষ্টেসনশিংগী মপান্দদি ৱাকৎ ঈহৌ চংশিনগনি হায়না ফোংদোকখ্রে।

মখোয়না পাল্লিবদি প্রাইম মিনিষ্টরনা মফমদগী কুমথবা অদুগা থাইলেন্দগী পোলিটিকেল সিষ্টেম নৌনা শেমদোকপা অসিনি। অদুবু গভর্নমেন্টনা হায়রিবনা কন্সটিট্যুসনেল কোর্ট অমনা মীখল অসি মতম য়ৈথবা য়াই হায়খ্রবসু মীখলদি থেংথদনা পাঙথোকপা অসিনি হায়না ফোংদোকখ্রে।

ওইরিবা ফিভম অসি লাকশিন্নবা ওঠোরিটিশিংনা হৌজিক থাইলেন্দগী কোনুংদা ইমর্জেন্সিসু থল্লিবনি। নভেম্বর থাদগী কেম্পেইন হৌরকখিবা ৱাকৎলোইশিংনা লৈবাক অসিগী পোলিটিকেল সিষ্টেম হোংদোক্লিবা ফাওবা লৈঙাক থৌদা পায়হন্নবা মীখলদা কাবা নত্তবা পিপলস কাউন্সিল অমা হান্না লৈহনবা পাল্লিবনি।

মখোয়না হায়বদা ৱাকৎলোইশিংনা নোংমাইজিংদগী হৌগনি হায়রিবা অঙনবা ভোটিং অদুদা অকায়বা পীবা পামদ্রবসু বেঙ্কোক্কী পোল্লিং ষ্টেসন ৫০ দা ৱাকৎলোইশিংনা ৱাকৎ ঈহৌদি অদুমক চংশিনগনি হায়রিবনি।

অমরোমদা মমাং চহিদগী হৌরকখিবা ইরাং অসিদা হৌজিক ফাওবদা মীওই ৯ শিখ্রবনি। অদুগা গভর্নমেন্টপু শৌগৎপা রেদ সার্ট এক্টিভিষ্টশিং অমদি গভর্নমেন্টপু য়াদবা ৱাকৎলোইশিং অসিগী মরক্তা ভাইওলেন্স থোকহনবগীদমক অমনা অমদা মরাল শীনরিবনি।

পনবা য়াবদি ইলেক্সন কম্মিসন্নসু ঙন্না ভোট থাদনবা মীওই মিল্লিয়ন ২ হেনবনা রেজিষ্টার তৌরক্লে হায়না ফোংদোকখ্রে।

ইল্লিজিবল ওইরবা ভোটরশিংগী মরক্তা মহৈরোইশিং অমদি মীখল নুমিৎতা ঙন্না ময়ুমদা হনবা ফংলরোইদবা শিন্দাংলবা শিন্মীশিংসু য়াওরে হায়না ফোংদোকখ্রে।

ইলেক্টোরেল কম্মিসন অমদি মেইন ওপোজিসন ওইরিবা দেমোক্রেটশিংনা মমাংদদি গভর্নমেন্টদা মীখল অসি য়ৈথোক্লবা হায়খিবনি। মরমদি ওইরিবা ফিভম অসিদা ফ্রি এন্দ ফেয়ার ওইবা মীখল অমা পাঙথোকপা ওইথোক্লোই হায়না মখোয়না ফোংদোকখিবনি। অদুগা কন্সটিট্যুসনেল কোর্টনা পীখিবা রুল্লিং অমদসু ফেব্রুৱারী অনিদা পাঙথোক্লবা মতম থাখ্রবা মীখল অসি আইনগী মতুংইন্না য়ৈথোকপদা অকায়বা লৈতে হায়না ফোংদোকখিবনি।

অদুবু য়ৈথোকপা মতমদা ইলেক্সন কম্মিসনগা প্রাইম মিনিষ্টরগা য়ানবা অমদি হান্না লৈহনগদবনি হায়নসু মখোয়না ফোংদোকখিবনি।

# চাইনাদা খুৎ থোক্লবদা মিলিটেন্ট ২৩ শিরে

*বৈজিং, জনুৱারি ২৫ঃ* চাইনিজ অমদি কিরগিজ ফোর্সশিং খুৎ থোক্লবগী তোঙান তোঙানবা থৌদোকশিংদা মিলিটেন্ট ২৩ শিরে হায়না লিখুন অমনা ফোংদোরক্লি।

পাকিস্তান ওক্যুপাইদ কাস্মির (পি ও কে) গা তাইনবদা লৈবা ইরাং কনবা জিনজিয়াং প্রোভিন্সতা শাথিবা ভাইওলেন্সকী থৌদোক পরিং অমা নুমিৎ নিনি চুপ্পা চত্থরকখিবনি। অৱাং নোংচুপ থংবা জিনজিয়াংদগী ওইগনি থাজবা মিলিটেন্ট ১১ বু চাইনাগী ঙমখৈ মনাক্তা কিরগীজ লান্মীশিংনা হাৎখি হায়না পাউ–চে অমদা ফোংদোকখ্রে।

অতোপ্পা থৌদোক অমদনা পুলিসনা মিলিটেন্ট ৬ কাপ্তুনা হাৎখি। অদুগা অতোপ্পা মিলিটেন্ট ৬ অমনা মশামক্তা পোকখাইহঞ্জদুনা শিখি হায়নসু ওঠোরিটিশিংনা ফোংদোকখ্রে।

অকোনবগী থৌদোক অসিদি জিনজিয়াংগী উইগুর ওটোনোমস রিজনদা থোকখিবনি হায়রি।

উইগুর মুস্লিমশিংনা খুন্দারিবা জিনজিয়াং অসি কিরগিষ্টান, আফগানিষ্টান অমদি পাকিস্তান ওক্যুপাইদ কাস্মিরগা তাইনবনি। হায়রিবা প্রোভিন্স অসি হন্দক মরক মিলিটেন্টশিংগী ভাইওলেন্স য়াম্না কন্না হেনগৎলক্লিবনি। কিরগীজ বোর্দর সার্ভিসকী চিফ ওইবা অমনা হায়বদা শাদানবগী রাইফল অমদি ছোরিশিং পায়বা মিলিন্ট গ্রুপ অমা ঙমখৈদগী কিলোমিটর ৪০ রোম চৎলগা লৈবা পাইকরটিকতা পাক রেঞ্জর অমনা থেংনরকখি। পার্ক রেঞ্জর অদু মিলিটেন্টশিং না হাৎখি হায়নসু চাইনাগী গভর্নমেন্টনা চলাইবা সি সি টিভিনা ফোংদোকখি।

কোন্না কিরগিস বোর্দর গার্দশিংনা মিলিটেন্টশিং অদুবু থেংনরক্তুনা কোইশিনখি। অদুগী মতুংদা সরেন্দর তৌনবা হায়বদা মিলিটেন্টশিং অদুনা য়াদবদগী নোংমৈ কাপ্নরকখি। মদুদা মিলিটেন্ট ১১ শিখি। থৌদোক অসিগী মতুংদা কিরগিস ফোরেন মিনিষ্ট্রিনা হায়বদা কিরগিষ্টান অমদি চাইনা অনি পুল্লগা তোকখাই তানিংবা ফত্তবা ফোর্সশিংবু লাম্থেংনরি হায়না ফোংদোকখ্রে।

অতোপ্পা থৌদোক অমদনা মিলিটেন্টশিংনা নোংমৈ কাপশিল্লকপদগী পুলিসনা মশা ঙাকথোকচনবা হন্দুনা কাপ্নবগী থৌদোক অমসু থোকখি হায়রি। মফম অদুৱাইদা বোম অনি পোকখাইখিবদগী মিলিটেন্টশিং অদুবু পুলিসনা ফানবা হোৎনখিবনি হায়রি।

# রুসিয়াগী পেট্রোল বোট অমা লাকশিনবদা মীওই ১০ ইরাক্লখ্রে

*মোস্কো, জনুৱারি ২৫ঃ* জপানগী অৱাংলোমদা লৈবা রুসিয়ানা কন্ট্রোল তৌবা কুনাসির হায়বা ইথৎ অসিগী তোৰ্ব্বান্দগী খরা চখোক্লগা লৈবা ঈশিংদা রুসিয়াগী বোর্দর পেট্রোল ভেসেল অমা মথক মখা ওন্দুনা লাকখিবদগী মীওই ১০ রোম ইরাক্লখ্রে হায়না ওফিসিয়েলশিংনা ঙসি ফোংদোরক্লি।

রুসিয়াগী ফেদরেল সিক্যুরিটি সার্ভিসকী মেম্বর খরসু য়াওবা পেসেঞ্জর ১০ অদুনা লৈবাক অসিগী বোর্দর কন্ট্রোলগী থৌদাং লৌবনি। অদুগা অতোপ্পা মেরি টাইম এক্সপার্ট খরসু য়াওনা হি অদু হেন্না চাওবা জহাজ অমা তম্না হোল্লকখিবনি। জপানগী তোৰ্ব্বান য়ৌরমদাইদা অচৌবা ইথক অমনা য়ৈবদগী হি অদু মথক মখা ওনখিবনি হায়রি।

রুসিয়ান ওঠোরিটিশিংনসু থৌদোক অদু চুম্লে হায়বা কনফার্ম তৌবগা লোয়ননা হকচাং ৪ হৌজিক ফাওবগী ওইনা ফংবা ঙম্লে হায়না ফোংদোকখ্রে।

লেমহৌরিবা পেসেঞ্জর ৬ অদুসু হিংলম্বগী ওইথোকপা য়াবা মমি শামজিল্লক্লে। মরমদি ঈশিংগী টেম্পরেচর অসুক্কী মতিক ইংবা মরমনা মখোয় হিংবগী ওইথোকপা লৈররোই হায়নসু ওফিসিয়েলশিংনা ফোংদোকখ্রে।





## SANALEIBAK SUDOKU

SANALEIBAK SUDOKU-135

| | | | | | | | | |
|---|---|---|---|---|---|---|---|---|
| | 3 | | | 5 | 6 | | 2 | |
| | | | | | | | 6 | 8 |
| | | 4 | 2 | | | | 9 | |
| 2 | | | 5 | 1 | 9 | 7 | | |
| | | | | | | | | |
| | 5 | | | 4 | 3 | 9 | | |
| | 1 | 2 | 4 | | | | 3 | |
| 6 | | | | | | | | 4 |
| | | 5 | | | 7 | | | |

*Prepared by :* **ROGER -A**

**YESTERDAY SOLUTION**

| | | | | | | | | |
|---|---|---|---|---|---|---|---|---|
| 6 | 7 | 9 | 2 | 1 | 8 | 5 | 3 | 4 |
| 8 | 1 | 5 | 7 | 3 | 4 | 6 | 9 | 2 |
| 2 | 3 | 4 | 6 | 9 | 5 | 1 | 7 | 8 |
| 4 | 6 | 7 | 3 | 2 | 1 | 8 | 5 | 9 |
| 9 | 2 | 3 | 5 | 8 | 7 | 4 | 6 | 1 |
| 5 | 8 | 1 | 4 | 6 | 9 | 7 | 2 | 3 |
| 7 | 5 | 2 | 8 | 4 | 3 | 9 | 1 | 6 |
| 1 | 4 | 6 | 9 | 7 | 2 | 3 | 8 | 5 |
| 3 | 9 | 8 | 1 | 5 | 6 | 2 | 4 | 7 |

**FILL THIS BLANK:**

*9 x 9 grid by using digits 1 - 9 without repeating in the same row, column, box or diagonal. The number already given cannot be changed.*